# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লো মেকরশিংদা লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থৌরমশিং ফোঙদোক্লবা খঙহনখ্রে



বি জে পি পার্টিগী মীফমদা শরুক য়াখিবা প্রাইম মিনিষ্টর অমদি লুচিংবশিং

*ন্যু দিল্লি, মে ৩ঃ*

নেসনেল দিমোক্রেটিক এলাইন্স (এন দি এ) লৈঙাক্লা শক্তি পায়রকপা চহী অনীশুরকপদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মুদ্রা স্কিম অমসুং লাইরবশিংদা চাকথোং গ্যাস লেম্না ফংহনবগী থৌশিল অমদি খুঙ্গং খুদিংমক মৈ ফংহন্নবা থৌশিল পায়খৎলি। অদুগুম্বা থৌশিল অদু মায় পাকহন্নবগীদমক ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী লো মেকরশিংনা চপ চাবা থবক পায়খৎকদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী মীফম কৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা বি জে পিগী লুচিংবা অমিত সাহ, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি শরুক য়াখি। মীফম অদুনা হেল্লিকোপ্টর লৈবগী ৱাথোক্কী মতাংদসু কুপ্না খন্নখি।

বি জে পিনা কংগ্রেসকী লুচিংবী সোনিয়া গান্ধিদা অকনবা এটেক চথখি। য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লোক সভাদা হিরম অদুগী মতাংদা অকনবা ৱায়েৎ অমা থেংনরবা য়ারি। ঙসি বি জে পিগী ওইনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং অহল ওইরবা লুচিংবা এল কে অদবানিনা পার্টি অদুগী লুচিংবা বলরাজ মাধোককী মীতমদা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুগী মতুংদা পার্টি অদুগী লুচিংবা রুদেনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শক্তি পায়রকপদগী লৈবাক অসিদা অহোংবা কয়া পুরক্লবা হোৎনরি। ঙসি ফাওবদা লৈঙাক অদুনা শক্তি পায়রকখিবা চহী ২ মপুং ফাখ্রে।

মুদ্রা স্কিমগী মখাদা হৌজিক লৈবাক অসিগী খুঙ্গং লিশিং ১৮দা মৈ ফংহনখ্রে। অহানবা ফেজ ওইনা লাইরবা ইমুং ক্রোর ৩দা লেম্না চাকথোং গ্যাস ফংহন্নবগী থৌশিল পায়খৎলি। মদুতা নত্তনা এল ই দি লাইট অহোংবা মমলদা মীয়ামদা পীননবা পায়খৎলিবা থৌশিল অদু মায় পাক্লা চথরি।

মোদি লৈঙাক ইং ২০১৪গী মে ২৬তা ৱাশক লৌখিবনি। মাধোক লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরমদা মোদিনা হায়, লুচিংবা অদুনা পায়খৎলম্বা থৌরম থৌশিল অমসুং ৱাখল্লোলশিং অদু মতম পুম্নমক্তা পাঙ্গল কন্না লৈহৌরগনি।

পার্টি অদুগী অহল ওইরবা লুচিংবা এল কে অদবানিনা ফোঙদোকখিবদা লুচিংবা অদুগী মখাদা পার্টি অদু মশক থোক্লকখিবনি। মহাক্লা লৌখিবা থৌরাং অদুনা পার্টি অসিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লে হায়খি।

# ম্যান্মার রোহিঙ্গিয়া কেম্পকী য়ুম ১০০ হেন্না মৈনা চাকখ্রে

*য়াঙ্গোন, মে ৩ঃ*

ম্যান্মারগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা হৌখিবা চহী ইং ২০১২দা কাংলুপকী হিংশা থোকপনা মরম ওইরগা লাঞ্জেনরকখিবা রোহিঙ্গিয়া মুস্লিমশিংনা লৈবা কেম্প অমদা চাওনা মৈ চাকখিবা থৌদোক্তা মীওই লিশিং ২ রোম লৈবা য়ুম মাংহন তাকহনখ্রে।



রোহিঙ্গিয়াশিংনা চংজফম লৌরিবা কেম্প মৈ চাকপা

কাংলুপকী হিংশা অদুনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেনরকপা রোহিঙ্গিয়া মীয়াম্না লৈবা মফম অদুদা চাওনা মৈ চাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা মফম অদুদগী অমুবা মৈখু কয়া কারকপা উখি। লাঞ্জেনরক্লবা মীওই লাক্ষ ১ রোম হায়রিবা কেম্প অদুদা চংজফম লৌদুনা লৈবনি হায়রি।

ওথোরিটিনা ফোঙদোরকখিবদা ষ্টেট কেপিটেলগা নক্লনা লৈবা বাউদুপা কেম্পতা কুকিং ষ্টোফ অমনা মরম ওইরগা মৈ অদু চাকহনখিবনি হায়বগী থাজবা লৈ। মৈ অদু অশাবা মতম ওইবনা কংনা লৈরবা মফমশিং অদুদা থুনা শন্দারকখি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সকী কো কোর্দিনেসন হ্যুমেনেটরিয়ানকী ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা অহানবদদি মীওই ১৪ শীরে হায়বা পাউ লাকখি। মখা তানা য়েংশিনবদা মীওই লিশিং ২ রোম্না লৈবা য়ুমথোং ৪৪০দা চাওনা অকায়বা থোকহনখি হায়বা খঙবা ঙমখি।

থোক্লিবা খুদোংথিবা থৌদোক অদুনা শোকহনখ্রবা মীগী মশিং চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। লৈবাক অদুগী হ্যুমেনেটেরিয়ান ওর্গনাইজেসনশিংনা লাঞ্জেনরক্লবা মীয়াম অদুগী তঙাইফদবশিং পীননবা হোৎনরিবনি।

মফম অদুদা ওথোরিটিনা য়ুম ওইনা বেরেক কয়া শেমগৎখি। মদুগী মনুংদা মীওই ৮-৮ লৈবা ব্লোক ৪৪ মপুং ফানা মাংহন তাকহনখ্রে। অদুগা অতোপ্পা হাউজিং ৯সু চাওনা অমাং অতা থোকহনখ্রে হায়রি।

বুধিষ্ট অমসুং মাইনোরিটি মুস্লিমশিংগী মরক্তা হৌখিবা চহী ৪দগী থোক্লকখিবা কাংলুপকী হিংশা অদুনা মরু ওইনা রোহিঙ্গিয়াগী মীওই ১,৪০,০০০ অৱাবা নংহনখ্রে। রাখিন ষ্টেটতা হৌজিকসু কিনিংঙাই ওইবা ফিভম অমা মায়োক্নরি।

ধর্ম্মগী মতাংদা কাংলুপশিংগী মরক্তা উংখৎনবা লৈবনা লমদম অদুগী মীয়ামগী শেল-থুমগী ফিভমদা চাওনা শোকহল্লি। ম্যান্মার বুধিষ্ট লাইনিং চৎপা মীওইশিংনা মশিং য়াম্না খুন্দবা লৈবাকনি। লৈবাক অদুদা হৌখিবা চহীদগী মাইনোরিটি মুস্লিমশিংগা কাংলুপকী হিংশা থোক্লক্তুনা ঈ-নাই তাবগী ফিভম অমা থেংনরি।

ম্যান্মারদা লৈবা রোহিঙ্গিয়া কাংলুপ অদু বঙ্গালিশিংনি। মখোয় বঙ্গলাদেশতগী চংল্লকখিবনি হায়না বুদিষ্ট লাইনিং চৎপশিংনা ফোঙদোক্লি। লৈবাক অদু কাংলুপ জাৎ খায়বগী অথিবং কয়া লৈরি। থবক চংবা, মহৈ-মশিং, হক-শেল অমসুং অতোপ্পা হিরম কয়াদা অথিংবা কয়া থল্লি হায়রি।

# লাম্মৈনা ইতিহাসকা শাগোন্নরবা সিম্লা রেলৱে ষ্টেসন য়ৌশিল্লকখ্রে

*স্মিলা, মে ৩ঃ*

উট্টরখন্দগী হৌরকখিবা লাম্মৈ চাকপগী থৌদোক অদুনা য়ুমথংনরিবা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা চাওনা অকায়বা পীরে।

বৃটিস মতমদগী খ্বাইদগী মরু ওইবা রেলৱে ট্রেক অমা ওইরিবা সিম্লাগী মফমশিংদা হেন্না লাম্মৈ চাকশিল্লকপনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে।

থিংবা ঙমদনা চাক্লকখিবা লাম্মৈ অদুনা লমদম অদুদা লৈবা য়ুম কয়া চাকখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে। কলকা-সিম্লা রেলৱে ষ্টেসনগী মরক্তা লৈবা উনা শাবা ষ্টেসন কয়া মাংহন তাকহনবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে।

হিমাচল প্রদেশকী মফম কয়া য়ুনেসকোনা ৱার্ল্ড হেরিটেজ সাইট ওইনা লাউথোক্তুনা লম কোয়বশিং পুক্লিং চিংশিল্লবা মফম কয়া অমাং অতা থোকহল্লকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরে।



চহী খুদিংগী মফম অদুদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লম কোয়বা মীওই কয়া লাক্লি। ইন্দিয়ান রেলৱেগী ইন্সপেক্টর সঞ্জয় পরমননা ফোঙদোরকখিবদা রেলৱে লাইন অদু তম্না চংশিল্লকখিবা মৈ অদু মুখৎনবা হোৎনরি।

উমং মৈ চাকপা অদুনা মরম ওইরগা হিমালচ প্রদেশতা রেল চখোক চৎশিন তৌবদা চাওনা অকায়বা থোকহনখ্রে। নুমিৎ নিনি চুপ্পা ত্রেন চৎহন্দবগী খুদোংচাদবসু মায়োক্নরি। উচানগী উমং অদুদা চাওনা মৈ চাকপা অদুনা মরম ওইরগা মনাক নক্লবা লৈবা সহর অহুমগী থবক থৌরমশিংদা চাওনা অকায়বা থোকহনখ্রে।

লমদম অদুদা লৈবা বোর্দিং স্কুলশিং খুদোংথিবা থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা ছুতি থাখ্রে। ষ্টেট অদুদা এলার্দ লাউথোকপগা লোয়ননা ফায়র টেন্দর অমসু লমদম অদুগী ভোল্যুটিয়ার কয়ানা থিংবা ঙমদনা চাকশিল্লক্লিবা মৈ অদু কন্ননবা হোৎনরি।

ষ্টেট অদুদা হৌজিক দিগ্রি সেলসিয়স ৪২ য়ৌনা শাবগী অৱাবা মায়োক্নরি। উট্টরখন্দগা তাইনবা ষ্টেটশিংগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা মৈ চাকপগী রিপোর্ট কয়া লাক্লি।

ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা মৈ অদু করম তৌনা হৌরকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক লমদম অদুদা শাখিবা ইকংগী ফিভম অমা মায়োক্লবা অদুনা মৈ চাকপগী থৌদোক অদু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনখিবনি হায়রি।

কলকা-সিম্লা রেলৱে লাইন অদু ১৯০৩দা অহানবা ওইনা হৌদোকখি। কিলোমিটর ৯৬ শাংবা লম্বী অদুদা টর্নেল ১০৩ লৈ হায়রি।

# ইরাক্তা আই এস আই এসনা য়ু এস সার্ভিস মেম্বর ১ হাৎখ্রে

*ৱাশিংতন, মে ৩ঃ*

য়ু এস সার্ভিস মেম্বর অমা ঙসি আই এস আই এসনা ইরাক্তা হাৎখ্রে হায়না পেন্টগোননা ফোঙদোরক্লি।

পেন্দাগোনগী ৱাঙাংলোই পিটর কুপনা ফোঙদোরকখিবদা আই এস আই এসনা মোসুলগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা পেসমেগরদা অকনবা এটেক চথরকখি।

য়ু এসনা লুচিংবা আই এস আই এসকী মায়োক্তা থবক পায়খৎখিবা মীওই অদু মখোয়না মশক খঙখিবগা লোয়ননা হাৎখিবনি হায়রি।

মীওই অদু মিলিটেন্টশিং অদুনা হকথেংননা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি। য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরি আষ্টন কাষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অদুদা লৈরিবা সার্ভিস মেম্বরশিংদা পেসমেগরগা ফোর্সকা খূৎশম্ননা চৎমিন্নবা খঙহনখিবা লৈখ্রবনি।

কুপনা হায়, পেসমেগরদগী কিলোমিটর ৫ রোম চৎলগা লৈবা মফম অমদা আই এস আই এসনা অকনবা এটেক চথরকপদা মেম্বর অদু লৈখিদবনি।

জর্মন খোঙচৎতা লৈরিবা কার্টরনা মখা তানা হায়, লৈবাক অদুদা লৈরিবা নুপী লাম্মী য়াওনা লাম্মী কয়া নুমিৎ খুদিংগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরি। মখোয়না আই এস আই এসকী পোজিসন কয়া থুগাইনবা থবক পায়খৎলিবনি। আই এসনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা অতোপ্পা লৈবাকশিংগা মান্নদবা মওংদা কিহল্লক্লি। চুংশিন্নরিবা কাংবুনা আই এস আই এসপু মতম পুম্নগী ওইনা মায়থিবা পীননবা কখোকপগা লোয়ননা থবক পায়খৎলি হায়খি।

# চরাম্নরবা মীওই অমনা চিঞ্জাক হুরানবা ক্রাইম নত্তেঃ ইটালিয়ান কোর্ট

*ইটালি, মে ৩ঃ*

চরাম্নবা মীওই অমনা অরাম খৌরাংবা কোক্ননবা চিঞ্জাক খরা হুরানবা হায়বদু ক্রাইম অমা নত্তে হায়না ইটালিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অমনা লাউথোকখ্রে।

লৈবাক অদুগী কৈথেল অমদগী দোল্লর ৪.৫০ গী মমল ওইগদবা চানবা চিঞ্জাক হুরালুই হায়বগী মরালদা ফাদোক তারবা রোমান ওষ্ট্রিয়াকোফ কৌবা মীওই অমগী ৱায়েল চথবদা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুনা ৱাফম অদু ফোঙদোকখিবনি।

ওষ্ট্রিয়াকোফ কৌবা মীওই অদু য়ুক্রেনদগী হৌরকখিবা ময়ুম মকৈ লৈতবা মীওই অমনি। মহাক্ল চানবা পোৎলম অদু তঙাইফদনা হুরান্দুনা চাখিবনি হায়না কোর্ট অদুনা ৱায়েল তাখি। অদুগুম্বা থৌদোক অদু ক্রাইম অমা নত্তে।

ইং ২০১১দা চিঞ্জাক য়োনবা দুকান অমগী ষ্টোর সিক্যুরিটিনা পোৎলম অদু হ্বানখ্রে হায়না ফোঙদোরকখি।

ওষ্ট্রিয়াকোফনা গেনৱা সুপর মার্কেটতগী মাখন পীস অনী অমসুং অতোপ্পা চানবা চিঞ্চাক পেকেট অমা মহাক্কী পোকেটতা হাপচিনখি। মদুগীদমক মহাক থা ৬ জেলদা লৈনবা অমসুং য়ুরো ১০০ ইং ২০১৫দা ফাইন তৌখি। ফিভম অদু য়েংলগা কোর্ট অদুনা অখন্নবা ৱায়েল অদু পীকিবনি হায়রি।

**সনা-সুদোকু- ৫৮৩ গী সোল্যুস**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 2 | 3 | 6 | 9 | 7 | 8 | 4 | 5 |
| 4 | 8 | 9 | 5 | 1 | 2 | 3 | 6 | 7 |
| 6 | 7 | 5 | 3 | 8 | 4 | 1 | 2 | 9 |
| 8 | 3 | 7 | 9 | 4 | 6 | 5 | 1 | 2 |
| 5 | 1 | 2 | 7 | 3 | 8 | 4 | 9 | 6 |
| 9 | 4 | 6 | 1 | 2 | 5 | 7 | 3 | 8 |
| 3 | 5 | 1 | 2 | 7 | 9 | 6 | 8 | 4 |
| 7 | 9 | 4 | 8 | 6 | 1 | 2 | 5 | 3 |
| 2 | 6 | 8 | 4 | 5 | 3 | 9 | 7 | 1 |

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating .any numbers*

**Hard Sana Suduku-584**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 4 | | | | | | 3 | 5 |
| 7 | 5 | 1 | | | 9 | | | 8 |
| | 6 | | | | 1 | | 9 | |
| 8 | | | | | 3 | | | 2 |
| 1 | | 5 | | 6 | | 4 | | |
| 3 | 7 | 4 | | | 2 | | | |
| | 3 | 7 | | | | 2 | | |
| 5 | 8 | | 3 | | 7 | | | |
| 6 | | | 8 | | 4 | | | 7 |

# অসামগী কাজিরঙ্গ নেসনেল পার্কতা রাইনো হাৎপা শাদানবা ৯ ফারে



*জোর্হাট, মে ৩ঃ*

কাজিরঙ্গ নেসনেল পার্ক (কে এন পি)দা রাইনো হাৎপা মীওই ৯ ফারে। ফারবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফ ৩ য়াওরি।

অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী মীওই ৯ অদু ঙরাং নুমিদাং ফাগৎখিবনি। ফারবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা গুরাপাহর রেঞ্চগী ওফিসার অমা য়াওনা মীওই ৩দি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী থৌমীশিংনি হায়রি।

ফারবা মীওইশিং অদুদি কেসভ কয়া, টোন কেশ্বর বোরদোলোই, পিঙ্কি দাস কাজিরঙ্গ নেসনেল পার্ককী দিভিজনেল ওফিসার সুবাসিস দাস য়াওরি। ফারবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা ৬তি কাজিরঙ্গ নেসনেল পার্কতা শা হাৎপগী মতাংদা পুলিসনা পাম্না থিরিবা মীওইশিংনি।

মখোয় অদুদি অদ্রিস আলি, ফাফিক আলি, সাইফুল আলি, ইব্রাহিম আলি, সৌরব আলি অমসুং টারজান কোরংনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

গেঙ খূৎপু অদুনা নেসনেল পার্ক অদুগী মনুং চনবা গুরাপাহর রেঞ্চতা মপুং ফারবা রাইনো অমা হাৎখিবা লৈখ্রে।

দাসনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না শাদানবা মীওই ৬ অদু কাজিরঙ্গ নেসনেল পার্ককী মনুং চনবা নগাওন, সোনিটপুর, কার্বি এঙলোং অমসুং গোলগাঘতা লৈবা মীওইশিংনি। হায়রিবা মীওইশিং অদু শাদানবা মীওই ১২৬কী মনুং চনবা পুলিসনা খ্বাইদগী পাম্না থিরিবা মীওইশিংনি হায়রি।

# ঈশিং থিবা চৎলিঙৈদা নুপী অমগী মচা অনী সনষ্ট্রোক্লা শীহনখ্রে

*হায়দ্রবাদ, মে ৩ঃ*

টেলঙ্গনাগী আদিলবাদ দিষ্ট্রিক্টতা মমা অমনা ঈশিং থিবা চৎলিঙৈদা মহাক্কী মচানুপা অনী সনষ্ট্রোক্লা শীহনখ্রে। অদুগুম্বা থৌদোক অদু ষ্টেট লৈঙাক্লা খুঙ্গংগী মীয়ামদা থক্লবা ঈশিং মতিক চানা ফংহনবা ঙমদবদগী থোকখিবনি হায়না ষ্টেট কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কম্মিসন অদুনা সু মোটো কে অমা থাঙ্গৎতুনা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎনবা খঙহনখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্টেসননা কম্মিসন অদুদা খঙহনখিবদা অদুগুম্বা থৌদোক অদু মখা তানা থোকহন্দনবা থবক পায়খৎলি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগীদমক মতিক চাবা কম্পেনসেসন পীরগনি হায়নসু খঙহল্লকখি।

কম্মিসন অদুনা থৌদোক অদুগী অকুপ্পা ৱারোল মে ২০ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্কদবনি হায়বা খঙহনখি। টেলঙ্গনাগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা থক্লবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা অমা মায়োক্নরি।

মীয়াম্না খৌরাংবা কোক্লবা ঈশিং থিবা চৎপদা মখোয়গী মচাশিং শীরে। লৈখিদ্রবা অঙাং অনী অদুদি মাধুকর (১২) অমসুং অসোক (৮)নি। অঙাংশিং অদু অদিলাবাদ দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চেনুর মন্দলগী উমং অমদা শীদুনা লৈরম্বা থেংনখি। অঙাংশিং অদু থাংজ নুমিৎতা মখোয়গী মমাগা লোয়ননা লিঙ্গমপালি খুঙ্গং থাদোক্তুনা ঈশিং ফংননবা হোৎনখিবনি। লাচু কৌবী লুখ্রাবী অদু নোংমগী খূৎশুমল তান্দুনা মচাশিং অদু পীজ পীথক তৌননবা হোৎনবনি।

মহাক্কী মচানুপী অমা লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লুহোংনবা মতম লেপ্তুনা লৈরবনি হায়রি। নুপী অদুনা মচাশিংগা লোয়ননা বুধরাম লম্বীদা লাকপদা অঙাংশিং অদুনা ঈশিং খৌরাংলে হায়না ফোঙদোরকখিবা লৈখি। নুপী অদুনা মচাশিং অদুগী খৌরাংবা কোক্ননবা ঈশিং থিবা চৎলিঙৈদা অঙাংশিং অদু লৈখিদবনি হায়রি।

উমংদা ঈশিং থিবা চৎখিবা অঙাংশিং অদু খুঙ্গং অদুগী মীয়াম্না থিরকপদা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্তা শীদুনা লৈরম্বা থেংনখিবনি। পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না অঙাংশিং অদু সনষ্ট্রোক্লা শীহনখিবনি হায়রি। লৈখিদ্রবা অঙাং অনীগী হকচাং অদু চেনুরদা লৈবা লৈঙাক্কী হোস্পিটাল অমদা পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা থমখ্রে হায়রি।

# অরুনাচল প্রদেশকী টৱাংদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই ২ শীরে ৬ শোকহনখ্রে

*ইটানগর, মে ৩ঃ*

অরুনাচল প্রদেশকী টৱাং সহরদা পুলিসনা ফাজিনখ্রবা বুধিষ্ট লমবোইবা অমা থাদোকহন্নবা মশিং য়াম্লবা মীয়াম্না চংশিল্লকখিবা খোঙজং অমা লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা য়ামদ্রবদা মীওই ২ শীরে। অদুগা ৬না অশোক অপন নংখ্রে।

মীয়ামগী অকনবা ইহৌ অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা নোংমৈ কাপ্লকপদগী মীওই ২ মফম অদুমক্তদা শীখি। অদুগা ৬না অশোক অপন নংখি।

টৱাংগী পুলিস ষ্টেসন অমদা মশিং য়াম্লবা মীয়াম থোমজিল্লক্তুনা অকনবা খোঙজং চংশিল্লকখি। ষ্টেট অদুদা দাম শাবগী মায়োক্তা খোঙজং চংশিনখিবা লুচিংবা লামা লোবসাং জ্ঞাটসো ফাজিনখিবদগী লমদম অদুগী মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চংশিল্লকখি হায়না চীফ সেক্রেটরি সগুন্তলা গামলিননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা শোক্লবা মীওইশিং অদু মিলিটরি হোস্পিটালদা পুখুৎতুনা লায়কন্নখ্রে। লমদম অদুদা ওইরিবা ফিভম অদু লাকশিনবা ঙম্লে। দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিনা হিরম অদুগী মতাংদা পিছ কম্মিটি অমা শেমখ্রে।

টৱাং সহরদা লাম্মীনা ফ্লেগ মাচ চথবগা লোয়ননা ওইরিবা ফিভম অদু লাকশিন্নবা হোৎনরি।

শগোলশেন নুমিৎতা জ্ঞাটসোনা লুচিংবা সেফ মোন রিজন ফেদরেসনগী মীওই কয়ানা খোঙজং চংশিল্লকখি। খোঙজং অদুগা মরী লৈননা মীওই কয়া ফাজিনখি। মোন লমদমগী স্প্রিরিচুয়েল লুচিংবা গুরু টালকু রিনপোটচগী মথক্তা পুলিসনা অকনবা থবক লৌখৎখি।

লমদম অদুদা মীওইশিংনা ফোঙদোরকখিবদা মশীং য়াম্লবা বুধিষ্ট লম্বোইবা কয়া য়াওবা মীয়ামগী অচৌবা খোঙজং চংশিল্লকখি।

মখোয়গী লুচিংবা জ্ঞাটসো কোর্টনা বেল পীবা য়াখিদবদগী মীয়াম্না খোঙজং অদু হেন্না কনশিল্লকখি। মীয়াম অদুনা টৱাং পুলিস ষ্টেসনদা থোমজিন্দুনা দাম এক্টিবিষ্ট অদু খুদক্তা থাদোক্লবা দিমান্দ তৌখি। মোন-টৱাং লমদমদা পায়খৎলিবা হায়দ্রো ইলেক্ট্রিক্ট পৱারগী মায়োক্তা মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চংশিল্লকখি।

হিংশাগী থৌদোক য়াওবা মীয়ামগী খোঙজং অদুগী মতুংদা পুলিসনা জ্ঞাটসো কোর্টতা পুথোকখি। তুংদা মীওই অদু বেল পীখি হায়রি। অরুচলপ্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর কালিখোপুলনা থৌদোক অদু খ্বাইদগী লাইবক থিবা অমনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীওইবগী পুন্সি কয়া মাংহনখিবা অদু ষ্টেট অদুদা নীংশিংনিংঙাই ওইরগদবা অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

লুচিংবা অদুনা লমদম অদুগী মীয়ামদা শান্তি লৈহন্নবা অপিল তৌখ্রে। হৌজিকমক্কী ওইনা খোঙজং চংশিল্লবা অমসুং লৈঙাক্কী মায়োক্তা শান্তিগী থৌশিল পায়খৎনবা হোৎনরি। অদুম ওইনমক খুদক্কী ওইনা অখন্নবা থৌশিল পায়খৎপদি লৈত্রি হায়রি।


**DIRECT AND SPOT ADMISSION**

**BE B.Tech** | 4 Yrs. DEGREE Course in :
- Computer Science
- Information Technology
- Civil • Electronics & Comm.
- Electrical & Electronics
- Mechanical • Architecture

**M. TECH**
- Computer Science
- Machine Design
- Computer Sc. & Network
- Electronics
- Civil Structural
- Civil-Geo Technical

**MBBS/BDS/MDS/BAMS**
B.Sc in Forestry, Agriculture, Horticulture, Fishries
B.Sc in Medical Lab Technology
B.Sc in Medical Microbiology, Maths, Physics
B.Sc in Optemetry, OT, Computer Sciences
Radiography, FND/M.Sc Food
Nutration & Dietetics, Fashion Desining

**M.Sc./B.Sc. :**
✓ Bio Technology
✓ Micro Biology
✓ Bio Chemistry
✓ Applied Genetics
✓ Nursing
✓ Physiotherapy

**DIPLOMA :**
MLT
Radiography Tech
Physotherapy Tech
Dialysis

MBA | Pharm.D
MCA | D.Pharm
BBA | B.Pharm
BCA | M.Pharm
PGDM | B.Ed
| D.Ed

BHM | B.Com | M.COM | BSW | B.A. Animation, Multimadeia | Tourism | M.A. Cinema & Telivision

HURRY ! AT TOP RANKING COLLEGES IN INDIA AND ABROAD. THE ADMISSION CONFIRMATION LETTER WILL BE RECEIVED WITHIN 10 MINUTE - 100 % JOB PLACEMENT AND FREE LAPTOP.

Contact : NEW WAY CONSULTANCY & PLACEMENT (R), Babupara, BOSEM Leirak, Imphal
# : 8119996590 / 8575326215 / 8794525328 / 8119944133